# ঙমখৈদা চাইনানা কা হেনবা থবক চত্থরক্লবদি মায়োক য়ানবা মপুঙ ফানা শেম শাদুনা লৈ : লেফটনেন্ট জেনরেল কালিটা



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা করিগুম্বা চাইনানা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চত্থরক্লবদি মদু মায়োক য়ানবগীদমক ইন্দিয়ন আর্মিনা মপুঙ ফানা শেম শাদুনা লৈ হায়না ইষ্টর্ন আর্মি কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল রনা প্রতাপ কালিতানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ইন্দিয়ন আর্মিনা য়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা থবক তৌদুনা লৈরি অমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়াম্না ঈং তপ্পা নাকল অনীমক্তা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লেফটনেন্ট জেনরেল রনা প্রতাপ কালিতানা ফোঙদোকখিবদা, ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ন আর্মিশিংগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎহনখ্রে। লাইন ওফ একচুয়ল কন্ট্রোল পরিংদা চাইনিজ পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) না তৌরিবা থবক থৌরমশিং য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌরি। মমাং চহীদা ইষ্টর্ন লদাখকী শরুক্তা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মখা তানা উংখৎনবগী ৱাফম লৈত্রি। দেমচোক অমসুং দেপসাং এরিয়াদা নাকল অনীগী মিলিটরি পর্সনেলশিং মমাং চহীগী মার্চ থাদা খুৎ থোক্লখ্রবা মতুং লৈবাক অনীগী মিলিটরি লুচিংবশিংনা ঙমখৈ শরুক মনাক নক্লা দিপ্লোই তৌরিবা আর্মি পর্সনেলশিং লৌথোকপদা য়ানখ্রবা মতুং মখা তানা কা হেনবা থবক চত্থরকপা লৈত্রি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা আর্মিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু য়েংশিনবা হৌরগনি। লৈবাক অসিগী মীয়াম ঙাক শেন্নবা লৈরিবা আর্মি পর্সনেলশিংনা মখোয়গী মথৌ নীংথিনা তৌরিব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। এন ঈ রিজনদা লালহৌবগী প্রোব্লেমশিং লৈরিবা অসিগী মতাংদসু খন্নবা হৌখ্রে। হান্নগা য়েংনরুবদা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা টেরোরিষ্টকী ওইবা থবক থৌওংশিং চত্থবগী চাং য়াম্না হন্থখ্রে হায়রি।




এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফমদা শরুক য়াখিবশিং

---

# আই এল পি ইমপ্লিমেন্টেসনগী মতাংদা সেন্টরদগী পাউখুম পীরকপা ঙাইরি : কোনরাদ সংমা



শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি): মেঘালয়দা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম ইমপ্লিমেন্ট তৌহনবগী মতাংদা সেন্টরদগী পাউখুম লাকপা ঙাইরি হায়না মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগী মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা এসেমব্লিদা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মেঘালয়দা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহদা হিরম অসিগী মতাংদা অঙৈবা চেরোল পীদুনা খঙহনখিবা লৈরে। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ওইনসু আই এল পি চৎনহনবা হায়বসিদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌরি। হৌজিক্তি মসিগী ফিরেপ অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ফিরেপ লৌরক্কদবনা মরম ওইরগা সেন্টরদগী পাউখুম লাকপা ঙাইদুনা লৈবনি। সেন্টরগী মায়কৈদগী অয়াবা পীরক্লবদি খুদক্তগী ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা পার্লিয়ামেন্টতা সীটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট পাস তৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা আই এল পিগী খোঙজং অসি হান্নদগী হেন্না কনখৎলকখিবনি। ষ্টেট অসিখক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক্না সী এ এগী মায়োক্তা লৈরি অমদি মসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবগী খোঙজং কয়াসু চঙশিনখিবা লৈরে। চহী অসিগী ওগষ্ট ১৭ তসু নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবনি।

# হৌখিবা পুং ২৪ দা মিজোরামদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৯১ থেংনখি

আইজোল, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি): মিজোরামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৯১ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ২,৩৭,৮৪৬ শুখ্রে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ গী পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ১২.৯৪ ওইখি। মসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস ৮১ থেংনখি। ঙসিগী ওইনা লায়চৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা শিহনখিবা মী মশিং ৭২২ লেংদনা অদুম্মক লৈরি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপুনবা মীশিং ২,৩৭,৮৪৬ গী মনুংদা মীওই ২,৩৬,৮০৩ মপুঙ ফানা লায়না লয়চৎ অসিদগী ফগৎপা ঙমখ্রে। মিজোরামদা হৌজিক হৌজিক এক্টিব কেস মশিং ৩২১ লৈরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লায়না লায়চৎ অসিগী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবা অসি মীয়াম্না তরাইনা লৌবা য়ারোই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কোভিদ-১৯ গী এস ও পি ঙাক্না চৎনবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অপিল তৌরক্লি।

# ইং ২০১৬ তগী হৌজিক ফাওবদা নহা ১৫০০ হেন্না লালহৌবা য়াওখি

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি): হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা অসাম ষ্টেটকী ওইনা নহা ১৫০০ হেন্না অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলুপশিংদা য়াওখি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

অসাম এসেমব্লিদা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী মেম্বরনা হঙলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর সর্মনা হায়খিবদা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তগী ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলুপশিংদা ষ্টেট অসিগী নহা ১৫৬১ য়াওখি। হায়রিবশিং অদুগী মনুংদা এন এল এফ বিদা নহা ১৬৪, এন দি এফ বিদা ৮১১, পি দি সী কেদা ৩৫১, অল্ফা আইদা ২০৩ অমসুং য়ু পি আর এফতা নহা ৩২ য়াওখি। হায়রিবা মতম অসিদা ষ্টেট অসিগী নহা ১৫০০ হেনবনা খুৎলায় পায়বগী লম্বীদা চঙশিনখ্রবসু হান্না খুৎলায় পায়রম্বা নহা ৮০০০ রোম লৈঙাক্তা চঙজরক্লুনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা হিংবা হৌখ্রে হায়রি।

# ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদকী ওফিসল অমা শিনা লৈরম্লে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি): অসামগী দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা দুলিয়াজান এরিয়াদা ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদকী ওফিসল অমা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরম্বা থেঙনরে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী মমিং ভাস্কর বোরা কৌই। মহাক ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদতা টেক্নিকেল ওদিট ওফিসর ওইনা লৈবনি। ঙসি মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা ওইল ইন্দিয়া লিমেটেদকী ষ্টাফশিংনা চৎলুবা মতমদা মপান্দগী থোঙ লোন্দুনা লৈরমখি। ষ্টাফশিং অদুনা চিংনবদগী থোঙ অদু নমখায়দুনা চঙলুবা মতমদা ভাস্কর বোরা শিনা লৈরমখিবনি। মহাক্কী হকচাংদা করিগুম্বা মখলগী দাকফম অমত্তা তারম্বা থেঙনখিদে। পোষ্ট মোর্টেমগীদমক ভাস্করগী হকচাং হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে অমদি পুলিসনা মীশি অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# ত্রিপুরাদা পঞ্চায়ট বোদি শেম্নবগীদমক বি জে পি অমসুং সী পি আই-এম পুনখ্রে


অগরটলা, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সি): মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরাদা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন অমদি থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য সভা মীখলদা অকনবা লম্বা তৌননবা শেম শারিবা বি জে পি অমসুং সী পি আই-এম অনীমক্না মাগী মাগী ওইবা ভোট খোম্বগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরিঙৈ মরক অসিদা য়াম্না থাজদবা অমদি তাবদা অঙকপা পোকপা থৌদোক অমা ওইনা উনাকোটি দিষ্ট্রিক্টতা পঞ্চায়ট বোদি শেম্নবগীদমক পার্টি অনী অমত্তা ওইনা চৎমিন্নখ্রে হায়রি।



রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ত্রিপুরাগী উনাকোটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈরিবা স্রিনাথপুর গ্রাম পঞ্চায়টকী পঞ্চারট চীফ খনবগী মতাংদা পার্টি অনী অমত্তা ওইনা পুনখিবনি। পঞ্চায়ট অসিগী ওইনা পুন্না মেম্বর ১৩ লৈবগী মনুংদা বি জে পিগী মেম্বর ৬, সী পি আই-এমগী মেম্বর ৫ অমদি কোংগ্রেসকী ২ য়াওরি। থা ৩ গী মমাঙদা সী পি আই - এম অমসুং কোংগ্রেস পুল্লগা পঞ্চায়ট বোদি শেমখিবনি। অদুম ওইনমক মমাঙ থাগী লোইশিল্লকপদা বি জে পিগী মায়কৈদগী নো কনফিদেন্স মোসন অমা মুভ তৌরকখিবগা লোয়ননা পঞ্চায়ট বোর্দ অদু দিসোলভ তৌখিবনি। মদুগী মতুং অনৌবা পঞ্চায়ট চীফ খনবগী মতাংদা বি জে পিগী ইনুক অলিদা সী পি আই-এমনা মতেং পাঙশিন্দুনা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নখিবনি। অদুম ওইনমক দিপ্যুটি চীফ খনবগী মতাংদদি কনফার্ম তৌবা ঙমদ্রি। দিপ্যুটি চীফ খনবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা বি জে পি অমসুং সী পি আই-এমগী মেম্বর ৫/৫ না মাগী মাগী ওইবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট নমখিবনা মরম ওইরগা কনফার্ম তাবা ঙমখিবদবনি। ইলেক্সন ওফিসলশিংনা দিপ্যুটি চীফ খনবগী ভোট মতম খরগী মতুংদা পাঙথোক্লবা ফীরেপ লৌখিবনি।

অমরোমদা, উনাকোটি দিষ্ট্রিক্টকী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট এম দি বাদ্রুজামননা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি পৱার পাম্বনা ঙাওরবা পার্টিনি। পৱার পায়দ্রবদি বি জে পিনা থবক অমত্তা তৌবা ঙমদে হায়রি।

# CROSSWORD-3644



**ACROSS**

1 More daring (6)
4 Artificial waterways (6)
8 Float along (5)
9 Immature toad or frog (7)
10 Teach (7)
11 Scope (5)
12 Comfortable seat (4,5)
17 Copious, abundant (5)
19 One who checks accounts (7)
21 Wind instrument (7)
22 Unadorned (5)
23 Imitated (6)
24 Brie, for example (6)

**DOWN**

1 Financial plan (6)
2 Spare time (7)
3 Additional (5)
5 Small state between France and Spain (7)
6 Oak nut (5)
7 Israeli currency unit (6)
9 Incisive (9)
13 Spire (7)
14 Go over again (7)
15 Derived from milk (6)
16 Alloy of copper and tin (6)
18 Well-rounded (5)
20 Profundity (5)

Solution 3643



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4044

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | 7 | | | | | 9 |
| | | | | 5 | 3 | | | |
| | 6 | | | 1 | | 5 | 3 | |
| | | 4 | | | | 3 | | 5 |
| | | | 5 | | 9 | | | |
| 1 | | 7 | | | | 8 | | |
| | 2 | 1 | | 9 | | | 6 | |
| | | | 1 | 8 | | | | |
| 7 | | | | | 4 | | 1 | |

## Solution-4043

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 1 | 2 | 7 | 8 | 3 | 6 | 5 | 4 |
| 4 | 3 | 8 | 9 | 5 | 6 | 7 | 1 | 2 |
| 7 | 6 | 5 | 4 | 1 | 2 | 3 | 9 | 8 |
| 5 | 2 | 6 | 8 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 |
| 1 | 7 | 9 | 3 | 2 | 5 | 8 | 4 | 6 |
| 8 | 4 | 3 | 1 | 6 | 9 | 5 | 2 | 7 |
| 3 | 5 | 1 | 6 | 4 | 8 | 2 | 7 | 9 |
| 2 | 8 | 4 | 5 | 9 | 7 | 1 | 6 | 3 |
| 6 | 9 | 7 | 2 | 3 | 1 | 4 | 8 | 5 |

# /EMPLOYMENT NEWS

## OIL INDIA RECRUITMENT 2022 FOR CONSULTANT

Oil India Consultant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Consultant in Oil India. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 10 October 2022. Candidates can check the latest Oil India Recruitment 2022 Consultant Vacancy 2022 details and apply online at the www.oil-india.com/ recruitment 2022 page.
Oil India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.oil-india.com/. Oil India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.oil-india.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Oil India (OIL)
invites applications for recruitment of Consultant
Consultant
Job Location:
Limited Duliajan , Dibrugarh, 786602 Assam
Last Date: 10 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Oil India (OIL)
Oil India (OIL) Recruitment 2022 Details
Company Oil India
Job Role Consultant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Dibrugarh
Experience 15 - 18 years
Salary 55000(Per Month)
Posted on 12 Sep, 2022
Last Date To Apply 10-10-2022
Educational Qualification: Retired Staff
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
55000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Consultant in Oil India.
How to Apply:
Step 1: Visit the official website oil-india.com
Step 2: Click on Oil India Recruitment 2022 notification
Step 3: Read the instructions carefully and proceed further
Step 4: Apply or download the application form as per the information mentioned on the official notification
Important Dates:
Published on: 13 September 2022
Last date for application is: 10 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## APSC RECRUITMENT 2022 FOR 18 INSPECTOR

Assam Public Service Commission Inspector Recruitment 2022: Advertisement for the post of Inspector in Assam Public Service Commission. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 11 October 2022. Candidates can check the latest Assam Public Service Commission Recruitment 2022 Inspector Vacancy 2022 details and apply online at the apsc.nic.in/ recruitment 2022 page.
Assam Public Service Commission Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ apsc.nic.in/. Assam Public Service Commission selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of apsc.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Public Service Commission (APSC)
invites applications for recruitment of Inspector
Inspector
Job Location:
Jawahar Nagar, Guwahati, 781022 Assam
Last Date: 11 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 18 Posts
Assam Public Service Commission (APSC)
Assam Public Service Commission (APSC) Recruitment 2022 Details
Company Assam Public Service Commission
Job Role Inspector
Education Requirement
Total Vacancy 18 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 22000 - 97000(Per Month)
Posted on 10 Sep, 2022
Last Date To Apply 11-10-2022
Educational Qualification: Minimum Educational Qualification is Bachelor Degree in Science with Physics as one of the subjects or Bachelor Degree in Engineering.
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
22000 - 97000(Per Month)
Age Limit: The candidates should not be less than 21 years of age and not more than 38 years of age as on 01/01/2022. The upper age limit is relaxable :.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Inspector in APSC.
How to Apply:
The application procedure for APSC Recruitment 2022 is given below,
Step 1: Visit the official website of APSC
Step 2: Check the latest notification regarding the APSC Recruitment 2022 on the website
Step 3: Read the instructions in the notification entirety before proceeding
Step 4: Apply or fill the application form before the last date
Important Dates:
Published on: 12 September 2022
Last date for application is: 11 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

